সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,THURSDAY, MARCH 30, 2017 **PAGE 7**

মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্পেনগী বোট্টিতা আগুটপু মায়থিবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর

য়োনেক্স সনরাইজ ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজগী অহানবা রাউন্দদা কোরিয়াগী হো সোন ৱানবু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম

ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টনগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়া অহানবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙমখ্রে

য়োনেক্স সনরাইজ ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ

ন্যু দিল্লি,মার্চ ২৯ঃ

ঙসিদগী হৌখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ইন্দিয়া ওপন ৱার্ল্ড সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী অহানবা রাউন্দ শান্নবদা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা শান্নরোইশিং মায় পাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা সিরি ফোর্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা নুপাগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মরি, নুপীগী সিঙ্গলসতা শান্নরোই অহুম, নুপীগী দবলসতা জুরা অনী অদুগা মিক্স দবলসতা জুরা অমা মায় পাক্লি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ঙসি য়াম্না ফজবা মওংদা মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী হো সোন ৱানবু স্ট্রেট গেম অনীদা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ২১–১৭, ২১–১০ দা মায়থিবা পীখি।

হো সোন ৱান টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোইদা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ফাইভসু ওইরিবনি।

সমির বর্মগা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা ১১–১০ দা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অদুনা হেলম্বদগী বর্মনা মখা তাবা পোইন্ট ১১ য়াম্না ফজবা মওংদা লৌরকপা ঙমখি। মদুদা কোরিয়াগী শান্নরোই অদুনা শুপ্পগী পোইন্ট ৬ খক হাপচিনবা ঙমখিবনি।

চহী ২২ দা ঙাইরিবা সমির বর্মনা অনীশুবা গেমদদি হৌবদগী মাঙজিল থাদুনা লাকখিবা অদুনা গেম অদু লোইশিনবা ফাওবা য়াম্না কোম্না ২১–১০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সমির বর্মনা হোং কোংগী শান্নরোই হু য়ুনগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা ৱার্ল্ড নম্বর ২৫ জপানগী কেন্টা নিসিমোটোগা লম্বা তৌনখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা অহানবা গেম ১৬–২১ দা মায়থিরগা গেম অমা শোথখিবা অদু ফুক্কৎতুনা মায় পাকপা ঙমখি।

অনীশুবা গেম সাই প্রনিথনা ২১–১২ থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেমদা অকনবা লম্বাদা ২১–১৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা প্রনিথনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সৌরব বর্মনা ঐচ এস প্রনোইবু ২১–১৩, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই হোং কোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই ঝাও জুন পেংগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেমদা লম্বা মান্ননা শান্নরম্লগা ২১–১৯ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা কা হেন্না ৱাদনা ২১–১৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অজয় জয়রামবু ২৩–২১, ২১–১৬ দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল, পি ভি সিন্ধু অমসুং ঋতু পর্ন দাস অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্লি।

৬ শুবা সিদেদ ওইরিবা সাইনা নেহৱালনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সিয়া সিন লিবু য়াম্না কোম্না ২১–১০, ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোই পোর্নপাৱি চো সোসুৱোংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেডালিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অরুন ধাতি পান্টাৱানেগা লম্বা তৌনবদা ইকোম কোম্না ২১–১৭, ২১–৬ তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা জপানগী সিনা কৱাকামিগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই ঋতুপর্না দাসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সিয়াং মৈ হুইগা শান্নবদা অহানবা গেম ১৯–২১ দা মায়থিখি।

অনীশুবা গেমদা দাসনা ২১–১৫ দা থোইরবা মতুং অরোইবা গেমদা অমুক লেং মান্নদুনা অকনবা মশান্না মায়োক্নবদগী ২১–১৯ দা মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা শান্নরগনি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ জুরা ওইরিবা পি জে চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ ফৈজল অমসুং সিলা দেৱী কুলিয়াবু ২১–১৫, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী দ্রিমিন অমসুং দিমুভাগা থেংনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং সিক্কি রেদ্দি লোয়ননা স্রুতি মুন্দাদা অমসুং অনুস্কা পারিখ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্লি। পোনাপ্পা অমসুং রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী এদকোক অমসুং পুকপু ২১–১৬, ২১–১৬ দা থোইরমখি। অদুগা স্রুতি অমসুং অনুস্কানা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী জুরা গৌরি অমসুং মেঘাবু ২২–২০, ২১–৮ তা থোইরমখি।

মমাঙগী চেম্পিয়ন থাইলেন্দগী ইন্টানোন মায় পাকখ্রবা অহানবা রাউন্দদা সোট তৌবা

ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিমগী কেপ্টেন মহেস ভুপতিনা দবলসকী শান্নরোই লিয়েন্দর পেস অমসুং রোহন বোপানা রিজার্বতা থমখ্রে

বেঙ্গালুরু,মার্চ ২৯ঃ

চহী অসিগী এপ্রিল ৭ তগী ৯ ফাওবা বেঙ্গালুরুদা ইন্দিয়াগা উজবেকিস্থানগা শান্নগদৌরিবা দেবিস কপ টাই অদুদা ইন্দিয়াগী নন–প্লেয়িং কেপ্টেন ওইরিবা মহেস ভুপতিনা দবলসকী শান্নরোই অনী লিয়েন্দর পেস অমসুং রোহন বোপানা রিজার্বতা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী টেন্নিস পুৱারীদা দবলসকী টিম রিজার্ব থমদুনা সিঙ্গলস শান্নরোই মরি শান্নহনগদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরি।

দেবিস কপ্তা ইন্দিয়াগী পাঙ্গল অসি দবলসকী টিম অসিনা অয়াম্বা মতমদা ওইদুনা লাক্লি। মমাঙদা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা দেবিস কপকী টাই কয়াদা হন্দক্কী টিম অসিগী নন–প্লেয়িং কেপ্টেন ওইরিবা মহেস ভুপতি অমসুং লিয়েন্দর পেসকী জুরানা কয়ারক হন্না মায় পাকহনখ্রবনি।

মখোয় অনীগী জুরানা দেবিস কপখক্তা নত্তনা এটিপি ৱার্ল্ড টুরদা টাইটল কয়াসু লৌখ্রবনি।

ভুপতিনা ফোঙদোকখিবদা উজবকিস্থানগা শান্নগদৌরিবা দেবিস কপ টাই অদুদা সিঙ্গলস শান্নরোই মরি থমগদৌরি হায়খি। মখোয়শিং অদুদি রামকুমার রামানাথন (রেঙ্ক ২৬৯), য়ুকি ভাম্ব্রি (রেঙ্ক ৩০৭), প্রজনিস গুনেস্বারন (রেঙ্ক ৩২৫) অমসুং এন স্রিরাম বালাজি (রেঙ্ক ৩৫০) নি।

ভুপতিনা মখা তারদুনা মহাক্না কেপ্টেন ওইবগী খুদোংচাবা অদু লৌদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সিঙ্গলস শান্নরোই মরিনা মহাক্কী ওপসন ওইনা থম্লি। অদুবু নিয়মগী মতুং ইন্না টাই হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা শান্নরোই অনী শিন্দোকপা য়াবগী অয়াবা লৈবনা নকশিল্লক্লবা মতমদা অহোংবা লাক্কদ্রা হায়বদুদি তম্বা ঙমদ্রি।

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না শান্নরোইশিং অসি কেপ্টেন য়াওরগা সেলেক্সন কমিতিগা খন্নরবা মতুংদা খনখিবনি হায়রি।

ভুপতিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লুচিং মখাদা অফবা ফল পীবা পান্নি। মদুগীদমক্তা শান্নরোইশিং অদুগী পার্ফোমেন্সকী মতুংইন্না করম্বা শান্নরোইনা অহান–অকোন শান্নগদগে হায়বদু নকশিল্লক্লবা মতমদা লেপথোক্কনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা মিয়ামি ওপন টেন্নিসতা নুপীগী দবলস সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা সনিয়া মির্জা অমসুং ষ্ট্রাইকোভা

মিয়ামি,মার্চ ২৯ঃ

য়ুএসএগী সহর মিয়ামিদা চথরিবা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু ইন্দিয়া অমসুং জেক্কী জুরানা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা য়ুএসএ অমসুং কজাক্সষ্টানগী জুরা ওইখিবা ভি কিং অমসুং ৱাই স্বেদোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা অনীশুবা সেট অদুদা ফজবা হেল্লক্তুনা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা য়ুএসএ অমসুং কজাক্সষ্টানগী জুরাগী সার্ভিস গেম অহুম ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু রুশিয়াগী এস কুজনেটসোভা অমসুং ফ্রান্সকী কে লাদেনোভিসপু স্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্বা জেক রিপব্লিক অমসুং চাইনাগী জুরা ওইরিবা এন্দ্রিয়া অমসুং পেং স্বাইগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ক্রোএসিয়াগী লুসি বারোনিবু স্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা জেক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা মির্জা লুসি বারোনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা জেক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী লম্বা অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

জেক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী শান্নরোই অদু জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভাবু স্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বী টুর্নামেন্ট অসিদা ১২ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকিগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ৪–৬, ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু স্ট্রেট সেট অনী ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বা ওস্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওসকা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৪ সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটবু ৭–৬(৭–৫), ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু ফ্রান্সকী মানারিনোবু ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বা জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী রাফেল নদালনা ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুটপু ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। নদালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু য়ুএসএগী লম্বা অনীদা জে দোনাল্ডসনবু য়াম্না কোম্না ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বা জে সোকনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী এফ ফোগনিনিনা য়ুএসএগী দি য়ংবু য়াম্না কোম্না ৬–০, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। এফ ফোগনিনিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু আর্জেন্টিনাগী এফ দেলবোনিসপু ৬–৩, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বা জপানগী কৈ নিসিকোরিনি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ গী অহানবা টিম ওইনা ব্রাজিল ক্বালিফাই ওইখ্রে, পেরু মায় পাকখ্রে, আর্জেন্টিনা মায়থিহৌরে

পরাগ্বে মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ কী অহানবা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিং

সাও পাওলো,মার্চ ২৯ঃ

কুমজা ২০১৮ তা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সাউথ অমেরিকাগী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ৫ রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলনা এরেনা কোরিনথিয়ান্সতা পরাগ্বেবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইহান হান্না ক্বালিফাই ওইবা লৈবাক অদু ওইখ্রে।

ঙরাং সাও পাওলোদা শান্নখিবা মেটচ অদু মায় পাকখিবগা লোয়ননা ব্রাজিলনা মেটচ ৮ থংনথংননা মায় পাক্লকপদগী রাউন্দ ১৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা অহানবা লৈবাক ওইনা ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ব্রাজিলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা ফিলিপ কোটিনোনা চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা নেমরনা ৬৪ শুবা মিনটতা চল্লগা অহুমশুবা পাঞ্জল শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা মার্সেলোনা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পেরুনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখি। অহানবা হাল্ফকী ৩০শুবা মিনটতা উরুগ্বেগী কার্লোস সঞ্চেজনা চনখি। মিনট ৫ লৈরগা পেরুগী জোস পাওলো গুইরেরোনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচকী ৬২ শুবা মিনটতা পেরুগী ইদিসন ফ্লোরেজনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চল্লগা পেরু মায় পাকখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা ১৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাবু বোলিভিয়ানা পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা জোন কার্লোস আর্সেনা চনখিবনি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ৫৩ শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী মার্সেলো মোরিনোনা চনবা ঙমখিবনি।

সেন্ট্রেল অমেরিকাগী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবামেটচ অমদা মেক্সিকোনা ট্রিনিদাদ এন্দ টেবেগোবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা দিএগো রিয়েজনা চনবা ঙমখিবনি।

মায় পাকপা অদুনা মেক্সিকো রাউন্দ ৪ দা ৩ মায় পাক্লগা অমা দ্রো চত্তুনা পুন্না পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কোষ্টারিকা অমসুং হোন্দুরস পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখি। অহানবা পাঞ্জল হোন্দুরসকী লোজানোনা চনখি। অদুগা ইক্বেলাইজর অদুনা কোষ্টারিকাগী কেন্দেল ৱেষ্টননা চনখি।

এসিয়াগী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংদা অহানবা ওইনা মায় পাকখিবা ওস্ট্রেলিয়াগী বেলি রাইট (ওইদগী ২ শুবা) না পাঞ্জল চনখিবা